# মানু ভাকরনা মিটর ২৫গী পিস্টোল টিম ইভেন্টকী গোল্ড ফংদুনা মশাগী ৪শুবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

লিমা, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

পেরুনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং লিমাদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ (ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন)কী জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২৫গী পিস্টোল টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুদা শরুক য়াখিবী মানু ভাকরনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহাক্কী পূন্না গোল্ড মেদল ৪ শুবা ঙমখ্রে।



ঙরাংগী ওইবা কম্পিটিসন অদু চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৮শুবা নুমীৎ ওইখি। মদুদা ইন্দিয়ানা নুপীগী মিটর ২৫গী পিস্টোল টিমগী গোল্ড মেদল লৌরবা মতুং অতোপ্পা ইভেন্ট ২দা সিলভর ফংদুনা ফজবা ঙমখি। জুনিয়র ৱিমেন্সকী মিটর ২৫গী পিস্টোল টিম ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মানু ভাকর, রিদম সাংৱান অমসুং নাময়া কাপুরনা য়ু এস এগী টিম অদুগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ১৬-৪দা থোইদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

ঙরাংগী ইভেন্ট অদু ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শুটর মানু ভাকরনা জুনিয়র ৱর্ল্ড শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহাক্কী ওইনা মরিরকশুবা গোল্ড মেদলনি। মহাক্কী টিম অদুদা শরুক য়াখিবী নাময়া কাপুরসু মহাক্কী করিয়রগী অহানবা গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখি।

কম্পিটিসন অদুগী ৮শুবা নুমীৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল অমসুং সিলভর মেদল অমা ফংখিবা অদুনা অপূনবা মেদল ২০ শুবা ঙল্লি।

নুপাগী ট্রেপ টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা ইটালিগা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল অদুদা পোইন্ট ৪-৬তা মায়থীদুনা সিলভর ফংহৌখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা শুটরশিং অদুদি ভক্তিয়ারুদিন মালেক, সর্দুল ভিহান অমসুং ভিভান কাপুরনি। মখোয়না ইটালিগা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল রাউন্দ অদু ফনা কন্না হোৎনরবসু ইটালিগী শুটরশিং অদুনা সেট ২ হেন্দুনা ৬-৪দা থোইখিবনি।

নুপীগী জুনিয়র টিম ট্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কির্তি গুপ্ত, অদিয়া ত্রিপাথি অমসুং দিভিয়া সিংহনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবগী লম্বা অদুদা জর্মনি টিমগী মখূৎতা পোইন্ট ২-৬তা মায়থীদুনা মেদল ফংবগী খূদোংচাবা অদু মাঙজখি।

ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল কয়া ফংলক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা অমগা লোয়ননা শরুক য়াখিবদা মায় পাকপা ঙমদনা হল্লকখিবনি। অদুবু পেরুগী কোনুং লিমাদা পাঙথোক্লিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা টোকিওদা শোয়খিবা অদু খরমখৈদি ফুগৎপা ঙল্লি।

পূন্না জুনিয়র ৱর্ল্ড শুটিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৮নি শুবা নুমীৎকী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ৯, সিলভর মেদল ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৩ ফংদুনা চেম্পিয়নশিপ অদুগী মেদল টেলিদা মকোক থোংদুনা লৈরি।

ঙসি ইন্দিয়াগী নুপীগী মিটর ২৫গী এয়র পিস্টোল টিম অদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা মতুং য়ু এস এনা সিলভর ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদলগী লম্বাদা ফ্রান্সকী কামিলি, হেলিওজ অমসুং এলিসানা য়ুক্রেনগী টিমবু ১৭-৭তা থোইরগা মেদল অদু ফংখি।

# এন দি এগী চিঙ্খৈঙানবা, নাওচা অমসুং কংলৈৱাং ষ্টেট ইনভাইটেসন বোক্সিংগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএসএন):

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেসন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী সব-জুনিয়র বোইজদা এন বি এগী তোনানবম চিঙ্খৈঙানবা, নিংথৌজম নাওচা অমসুং ইরোম কংলৈৱাং ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র বোইজগী কিলোগ্রাম ৩৫গী সেমীফাইনেল বাউটতা এন বি এগী তোনানবম চিঙ্খৈঙানবনা কে বি এগী নিংথৌজম চিঙ্খৈঙানববু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌখি। কাঙলূপ অদুগী কিলোগ্রাম ৪০গীদা এন বি এগী নিংথৌজম নাওচানা কে বি এ এগী থোঙ্গ্রাম মনিথোইববু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্কী ক্লব অদুমক্কী অতোপ্পা বোক্সর ইরোম কংলৈৱাংনা কিলোগ্রাম ৪৩গী কাঙলূপ্তা এ য়ু এসকী বোক্সর চিরোম মনিথোইববু থিন্দুনা ফাইনেল য়ৌখি।



সব-জুনিয়র বোইজগী কাঙলূপ অদুদা ফাইনেল য়ৌখ্রবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি এ বি এগী রাহুলবু মায়থীবা পীরম্বা পি বি এগী জসোবন্তা য়েংখোম, কিলোগ্রাম ৩৭কীদা এস আর বি এগী ৱাংথোই চিরোমবু মায়থীবা পীরম্বা আই এন বিগী নোংদ্রেনখোম্বা, কিলোগ্রাম ৪০গীদা আই এন বিগী সগোলশেম জেক্সনবু মায়থীবা পীরম্বা এ বি এগী থৌদাম রাহুল, কিলোগ্রাম ৪০গীদা এন বি এগী অনকিট কোইরলাবু মায়থীবা পীরম্বা এ বি এগী থৌবা মাইবম, কিলোগ্রাম ৪৩দা পি দি এগী চিংঙাংবম অবুবু মায়থীবা পীরম্বা আই এন বিগী চোংথাম নাওবা, কিলোগ্রাম ৪৬কীদা আই এন দিগী থৌনা তেন্সুববু মায়থীবা পীরম্বা এ এ ৱাই সী এগী মুতুম নিকিসন মীতৈ, কিলোগ্রাম অদুমক্তদা পি বি এগী নোংথোম্বম হেন্থোইববু মায়থীবা পীরম্বা এ বি এগী থাইমৈ জেক্সন অমসুং কিলোগ্রাম ৫২গীদা কে বি এ এগী কবিরাজ মোইরাংথেমবু মায়থীবা পীরম্বা এম কে বি এগী মিকনেস খাইদেম য়াওরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সব-জুনিয়র গর্লসকীদা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রবা বোক্সরশিংগী মনুংদা এ এস এমগী কিলোগ্রাম ৪৯গীদা নিংথৌজম অঞ্জলি, ৱেথ অদুমক্তদা আর আই এস বি এগী তাওরেম রিনা, চপ মান্নবা ৱেথ অদুদা এ বি এগী লক্সমী নোংথোম্বম অমসুং আই এন দিগী চিংসুবম রিনা চনুনি।

কাঙলূপ অদুগী কিলোগ্রাম ৫২গীদা ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি আই ভি আর বি এসকী ইন্দিকা থিয়াম, কিলোগ্রাম ৫৮গীদা এম কে বি এগী কিমহোইচোং কারোং, কেজি ৪৬কীদা এ বি এগী খাঙেম্বম মালেম চনু, কে জি ৪৬কীদা আই এন দিগী থিয়াম অপসারা, চপ মান্নবা ৱেথ কেটগোরিদা সেমীফাইনেল য়ৌখিবা অতোপ্পা বোক্সর অনী অদুদি কে বি এ এগী এলাংবম থোইচা অমসুং আই এন দিগী মোইরাংথেম পিঙ্কিনি।

জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৪৮গীদা ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি টি বি এ বিগী সনাবম সুরমালা, আর আই এস বি এগী মংসাতাবম দার্বিনা, এন বি এগী লাইশ্রম বিশোরিতা অমসুং আই এন দিগী ক্ষেত্রিময়ুম জিনানি।

জুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৫০গীদা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রবশিং অদুদি টি বি এ বিগী সলাম হেলেনা, এ য়ু এসকী লক্সমী, আই ভি আর বি এসকী তনু অমসুং এম কে বি এগী ভেনিকা য়ুম্নামনি।

জুনিয়র বোইজগী সেমীফাইনেল য়ৌখিবা বোক্সরশিং অদুদি কিলোগ্রাম ৫৭কীদা এল আর বি এগী রোবিন, কিলোগ্রাম ৬০গীদা আই ভি আর বি এসকী কে ঐচ বিকেন, টি বি এগী সিনাম অলার্দ, এন বি এগী এল লুহেন অমসুং এ এ ৱাই সী এগী কে রোশন য়াওরি।

সব-জুনিয়র বোইজগী কিলোগ্রাম ৪৯গীদা সেমীফাইনেল চঙখিবা বোক্সরশিং অদুদি আই এন দিগী থোঙাম নিলবির, এন বি এগী মোইরাংথেম য়াইখোম্বা অমসুং কে বি এগী বোক্সর নান্দেবম বেবিচান্দ মীতৈনি।

# অম্ফানা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোলগী মতাংদা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা হৌজিক-হৌজিক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিস বিয়ররশিং খন্ননবগী মীখলগী মতম লাম্থোরক্লবা ফাওবা পাঙথোক্তবগী মতাংদা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ফিফাগী ওইবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা মখোয়গী ওফিস বিয়ররশিং অপীবা মতম হেন্দারক্লবা ফাওবা খন্দবা অদুগী মতাংদা সস্পেন্সনদা থম্লোইদবগী ৱাফম লৈতে হায়না অম্ফানা ফোঙদোরক্লি।

অম্ফাগী ইমর্জেন্সি কম্মিটি অমগী মীফম্না লৌখিবা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপশিংগী মনুংদা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা এফিলিএট তৌদুনা লৈরিবা পুম্নমক্কী মীহুৎশিংনা মরী লৈনবা চে-চাং পুরক্কদবনি হায়রি। অতোপ্পা ৱারেপ অমদনা অম্ফাগী ওফিসতা থা অসিগী ১৪দা ভোটরশিংগী লিষ্ট অদু থেৎকনি। শেমদোক-শেমজিন লৈগদবশিং অদু নুমীৎ অদুগী নুংথিল পুং ৩দগী ৫ ফাওবদা শেমদোকপা য়াগনি হায়রি। লোয়ননা অরোইবা ভোটর লিষ্ট অদুনা ওক্টোবর ১৫দা অম্ফাগী ওফিসতা থেৎকনি হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিস বিয়ররশিংগী মীখলদা শরুক য়াগদৌরিবশিংনা নোমিনেসন অমসুং ৱিদ্রোৱলগী খূদোংচাবা অদু ওক্টোবর ১৬তা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়বা ৱারেপকা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ওফিস বিয়ররশিংগী মীখল ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী মীটিং হোলদা থা অসিগী ১৭কী অয়ূক পুং ১০দগী ১১ ফাওবদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ষ্টেট কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএন এস):

কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়াইস্কুল মোইরাংখোমদা লৈবা সমাসখি হায় স্কুলদা থা অসিগী ২৩দগী ২৬ ফাওবা ষ্টেট কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস উমাকান্তনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ষ্টেট কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২১ পাঙথোক্কদৌরিবা অসি লৈঙাক অসিগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী ওইবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী কাঙলোনশিং অদু ঙাক্না টুর্নামেন্টকী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী থবক থৌরম পূম্নমক লৌখৎতুনা শান্নরোয়শিংগী য়াইফনবা থবক পায়খৎকনি হায়না কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগকী মেনেজরশিংগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২১গী মেনেজরশিংগী ওইবা মীফম অদু চৎলিবা থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসনগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস):

চৎলিবা থা অসিগী ৮দা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসননা চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা মীফম অদুদা এসোসিএসন অসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা তোঙান-তোঙানবা এজেন্দাশিংদা খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টোরেটকী ওফিসতা নুমীৎ অদুগী অয়ূক পুং ১১.৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা এন্যুএল জেনরেল বোদি মীফম অদুদা খন্নগদৌরিবা এজেন্দাশিং অদুগী মনুংদা নৌনা শেম্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইবা দি ৱাই এ এস ও ওফিস লিংখৎপা, মিনিষ্ট্রিএল অমদি নন-মিনিষ্ট্রিএল ষ্টাফশিংগী অৱাৎপা মেনখৎপা, মেজর দিপার্টমেন্টদা কনভর্ট তৌবা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী অনৌবা ওফিস বিয়ররশিং খনবগী মতাং য়াওরি।

# অল অমিননা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)বু থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদ অমসুং দব্লিয়ু রামানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা অল অমিননা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)বু রন ২৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

অল অমিননা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপূনবা ওভর ৪০ শান্নরকপদা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১৫৩ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর এম দি নোসাদ অলিনা বোল ৯৭তা রন ৪৬ লৌবা ঙমখিবা অমদি ৫শুবা বেটসমেন এম দি নসির শাহনা বোল ৫৯দা রন ৪২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোরশিং ওইখি।

মেটচ অদু মায় পাক্কনবা ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী মায়কৈদগী রন ১৫৪গী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটসমেন ১০মক ৩৯শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা আউট ওইদুনা রন ১৩০দা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু অল অমিননা রন ২৩দা মায় পাকখি। ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটসমেন মহেশনা রন ২৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৮শুবা বেটসমেন বিস্বাস, ৩শুবা বেটসমেন রেহিট অমসুং ওপনর ইলেক্ট্রোনিকনা মথংশিংনা রন ২০, ১৭ অমদি ১৬ লৌখি।


Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
ADMISSION OPEN!
1 year course for NEET 2022
1 year course for JEE Mains and Mains+Advanced
2 year course for NEET & JEE for Class 11 Students
For the promising future doctors and engineers,
Resonance LLP Centre Imphal brings to you
- Best subject experts from Kota
- Live interaction classes
- Recorded classes for future reference
- Latest study materials
- Routine class tests

ENROLL TODAY!

★ Hostel and other amenities for Early Bird registrations

SUBJECT EXPERTS: HIGHLY QUALIFIED
IITians & RESEARCH SCHOLARS

Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, S.I. & Sons Building,
Kwakeithel Thokchom Leikai,
Imphal- 795001

For more details
9402979552
8794961535



HL-P/0236/3 to 12/10


# দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিংদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএন এস):

মণিপুর হোক্কীগী এগজিক্যুটিভ বোর্দকী মীফম অমদা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট হোক্কী য়ুনিটশিংগী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিশিংনা মখোয়-মখোয়গী য়ুনিটশিং অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর, সর্টিফিকেট, কন্সটিট্যুসন অমদি এগজিক্যুটিভ বোদিগী লিষ্টশিং অদু প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিনা খূৎয়েক পীরগা নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।

খোঙথাং অসি মণিপুর হোক্কীগী মীখল পাঙথোকপা মতমদা পর্মেনেন্ট মেম্বরগী খূদোংচাবা পীননবনি লোয়ননা হোক্কী ইন্দিয়াগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না মণিপুর হোক্কীদসু হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটকী মেম্বরশিং য়াওননবগী চৎনবী লৈরিবনি। দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিং অসিনা পীখৎলক্কদৌরিবা দোক্যুমেন্টশিং অদু হোক্কী ইন্দিয়াদা অরোইবা এপ্রুভেলগীদমক থাগদৌরিবনি হায়না মণিপুর হোক্কীগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা এল বসন্ত শর্ম্মানা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা হোক্কীগী পাউ অমদা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মণিপুরগী গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা ঙসি সী আর পি এফ গ্রুপ লাংজিংদা সী আর পি এফ, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী আই জি ওইরিবা এম এস সেখাৱটকা উনদুনা ষ্টেট অসিদা হোক্কী মশান্না হেন্না চাউখৎনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

আই জি এম এস সেখাৱটনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না হোক্কী ষ্টিক, বোলশিং অমসুং কিট ময়াম অমা পীনবা হোক্কী মণিপুরগী মেম্বরশিং য়াওনা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমগা উনবা অদুদা থাজবা থমখি।

উনখিবা অদুদা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমনা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সী আর পি এফকী আই জি ওইরিবা এম এস সেখাৱটতা হোক্কী ইন্দিয়াগী মমেন্টো অমসুং শোল পীদুনা সী আর পি এফ অমদি হোক্কী ইন্দিয়াগা অফবা মরী থম্নবা খূদোল তম্বগী তাঞ্জা অদু লৌখি।

# এস এ এ এফ চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা ইন্দিয়া অমসুং স্রি লঙ্কা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



মালে, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি মালদিভসতা লৈবা মালেগী নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা স্রি লঙ্কাগা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা খ্বাইদগী টাইটল য়াম্না লৌবা ঙল্লিবা ইন্দিয়ানা মমাংদা শান্নখিবা বাংলাদেশকী মেটচ অদুসু দ্রো চৎখিবনি। অদুগা ঙসি অমুক হন্না স্রি লঙ্কাগা শান্নবদা মায় পাকপা ঙমদনা দ্রো চৎতুনা লৈবাক মঙাগী ওইবা কম্পিটিসন অসিদা মেটচ ২ শান্নবদা অনীমক দ্রো চৎতুনা শুপ্নগী পোইন্ট ২ খক ফংলগা পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসনদা লৈরি। নেপালনা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ২মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। বাংলাদেশ মেটচ ৩ শান্নখিবদা ১ মায় পাক্লগা অনী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি। মখোয়না ঙসি অথেংবদা মালদিভসকা শান্নগদৌরি। মদুদা মায় পাক্লবদি মখোয়না টেবলগী লুচিংবা ঙমগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মথংগী অহুমশুবা মেটচতা নেপালগা লম্বা তৌনগদৌরি। করিগুম্বা মেটচ অদুদা পাঞ্জল মশীং য়াম্না চল্লগা মায় পাকপা ঙমদ্রবদি টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবগী খূদোংচাবা ফংলোইদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, এস এ এ এফ চেম্পিয়পশিপ অসি হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা টাইটল ৭ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা টিম ওইরিবনি। ফিফাগী রেঙ্কিং য়েংনরুবদা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মখোয়দগী শোঙ্খনা লৈরিবা টিমশিংগা লম্বা তৌনরকপদা মায় পাকপা ঙমদবা অসি ফুটবোল ক্রিটিকশিংগী মায়কৈদগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

টিম কোচ ওইরিবা আইগোর ষ্টিমেকতা অকনবা প্রেসর লাক্তুনা অহানবা মেটচতা বাংলাদেশকী শান্নরোয় ১০ খক্তা ঙাইহৌরবা অদু ফাওবদা ইন্দিয়ানা থোইবা ঙমহৌদ্রবা মতুং ঙসিসু দ্রো চৎখিবা অদুনা মহাক্কী ফমদা চিংনবা লাক্লি।

# পঞ্জাব কিংসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৬তা থোইখ্রে, কোলকাটা নাইট রাইর্দসনা রাজস্থান রোয়লসপু মায়থীবা পীখ্রে

দুবাই, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

ঙসি দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০গী ৫৩শুবা মেটচতা চেন্নাই সুপর কিংসপু পঞ্জাব কিংসনা ৱিকেট ৬তা থোইখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৮৬ তা মায়থীবা পীখ্রে।

পঞ্জাব অমসুং চেন্নাইগী মেটচ অদুগী টোস পঞ্জাবনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৩৪ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর ফাপ দু প্লেসিসনা বোল ৫৫দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৭৬ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেনশিং ফজবা ঙমখিদে। ওপনর গেক্বাটকী রন ১২, ধোনিগীসু ১২ অদুগা রবিন্দ্র জাদেজাগী ১৫ নৎতনা অতোপ্পদি রন ১০ য়ৌবা ঙমখিদে।


মেটচ অদু মায় পাক্কনবা পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী ওপনর কে এল রাহুলনা আউট ওইদনা সিক্স ৮ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৯৮ লৌখিবা অদুনা মপূং ওইরগা ওভর ১৩দা বেটসমেন ৪ খক আউট ওইরগা রন ১৩৯ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখি।

ঙসি সর্জাহদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৫৪শুবা মেটচ অদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা রাজস্থান রোয়লসপু রন ৮৬ তা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অদুগী টোস রাজস্থান রোয়লসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৪ আউট ওইরগা রন ১৭১ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী ওপনর সুবমান গিল অমসুং ভেনকাটেশ আয়রনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ৭৯ হাপচিন্দুনা ফজবা ঙমখি। ভেনকাটেশ বোল ৩৫দা রন ৩৮ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী পার্টনর সুবমান গিল বোল ৪৪ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫৬তা আউট ওইখি।

রাজস্থান রোয়লসকী মায়কৈদগী রন ১৭২গী টার্গেট য়ৌনবা হোৎনরকপদা স্কোরবোর্দতা রন ৩৫ খক লৈরিঙৈদা বেটসমেন ৭ আউট ওইদুনা ফীভম য়াম্না শোকখি। কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী বোলর সিভম মাভি অমদি লোকি ফর্গুসননা মথংশিৎনা ৱিকেট ৪ অমসুং ৩ লৌখি। রাজস্থান রোয়লসকী রাহুল টেৱাটিয়ানা রন ৪৪ লৌরমখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ১৭কী হৌরকপদা রন ৮৫ দা লোইশিনখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 252**

**GM Niemann,Hans Moke (2526) - FM Deuer,Marius (2231)**
**2nd GM Mix Bassano 2021 Bassano del Grappa ITA, 2021.03.26**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6
4.Ba4 Nf6 5.O-O Be7 6.Re1 b5
7.Bb3 d6 8.c3 O-O 9.h3 Nb8
10.d4 Nbd7 11.Nbd2 Bb7 12.Bc2 c5
13.Nf1 cxd4 14.cxd4 exd4 15.Nxd4 Re8
16.Ng3 d5 17.exd5 Nxd5 18.Ndf5 Bf8
19.Rxe8 Qxe8 20.Bg5 N7f6 21.Qf3 Qe5
22.Bxf6 gxf6 23.Be4 Re8 24.Qh5 Kh8
25.Qxf7...

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 251 Ans. :**

26. ...g5 27.Qf6 Qf4 28.Qg6+ Opening the line from b7 to g7.fxg6 29.Rg7+ Kh8 30.Rh7+ Kg8 31.Rbg7# Blind swine mate
27.Qf6 Qg6 28.Qxg6+ fxg6 29.Rg7+ Kh8 30.Rh7+ Kg8 31.Rbg7#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com